# মৈরাবা লুৱাংনা সাই বিষ্ণু পুলেলাবু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা সাউথ কোরিয়াগী য়োং জিনগা থেংনরগনি



হর্লিম, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): নেদর্লেন্দসকী সিটি হর্লিমদা পাঙথোকপা দটস জুনিয়র ইন্টর্নেসল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ২ সিদেদ ওইরিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সাই বিষ্ণু পুলেলাবু মায়থীবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় য়োং জিনগা লম্বা তৌনরগনি।

মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংবা সাই বিষ্ণু পুলেলাবু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইৱা ৱাদনা ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-১১, ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা ঙসি অথেংবদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় য়োং জিনগা লম্বা তৌনরগনি।

য়োংজিননা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক নেদর্লেন্দসকী শান্নরোয় এন্দি ব্যুকপু ২১-৫, ২১-১৫দা থোইরম্বনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী মাথিয়াজ কিল্লিসপু ইন্দিয়াগী রোহন গুরবানিনা ২১-৫, ২১-১৬তা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী সচা লিভেকিগা শান্নরগনি।

ঙরাং অনীশুবা রাউন্দ মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী রবিনা ৩শুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী মেগনস জে াহেনসেনগা লম্বা তৌনগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দিয়াগী বরুন কপুর অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী বিয়োং চান্দ ঝাংনা ২১-১৫, ২১-১১দা মায়থীবা পীরমখি। লোয়ননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রিটবিক সঞ্জিবি সতিসকুমারবু ৫শুবা সিদেদ দেনমার্ককী মেদস জুল মোলরনা ১৮-২১, ২১-১৫, ২১-৯দা থোইখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মরি ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মখোয়দি ত্রিসা জোলি, টাসনিম মির, টনিয়া হেমন্ত অমদি মান্সি সিংহনি।

১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# নাকোনা ৱাই য়ু এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নাকোনা ৱাই য়ু এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

লীগ অসিগী ৩৯শুবা মেচ ওইনা নাকো অমসুং ৱাই য়ু এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি টিম অনীমক্কা লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফকী মিনট ৩০ ফাওবদি পাঞ্জল ওইবা কয়া ফংনখ্রবসু পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদে। অদুবু ৩১শুবা মিনটতা ৱাই য়ু এফ সীগী য়ারমিপি সঙ্গ জর্সি নম্বর ২৩না পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট অহাংবা হৌখি।

পাঞ্জল শোথরবা নাকোগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি। অদুবু ৱাই য়ু এফ সীগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকখিবদগী পাঞ্জল ওইহনবা ঙমহন্দনা অহানবা হাফ ফাওবদা মখোয়না নাকোবু ১-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীক্কা অহেনবা এটেক কয়া চথরনখি। অদুবু অপীবা মতমগী মনুংদা য়ু এফ সীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদে। অদুগা নাকোগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ অসিদা পাঞ্জল অমা ফাওবা চনবা ঙমখিদবদগী মখোয়বু ৱাই য়ু এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়ু কে বি চুরাচান্দপুর অমদি য়ু পি এস এ পুখাও মায় পাকপা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংনা য়ু কে বি চুরাচান্দুর অমসুং য়ু পি এস এ পুখাও মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচতা দল্লীয়ু এ এফ এ ৱঙ্গোইবু য়ু কে বি চুরাচান্দপুরনা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীহৌখি। অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা য়ু কে বিগী লামথানলাল জর্সি নম্বর ৭না একাউন্ট হাংখি অহানবা হাফতা মখোয়না দল্লীয়ু এ এফ এবু ১-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা য়ু কে বিনা চথরকখিবা এটেক্কা শান্নবগী ৭৭ অমদি ৮১শুবা মিনটতা মথং শীৎনা লাললেনমাং জর্সি নম্বর ৪ অমদি জোন কামসনমাঙ জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা দল্লীয়ু এ এফ এগী মায়কৈদগী ৬৮শুবা মিনটতা ৱাই রামসন জর্সি নম্বর ২৪না চনখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা য়ু পি এস এ পুখাওনা এ এফ সী থৌবালবু পাঞ্জল ৬-০দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

য়ু পি এস এগী পাঞ্জলশিং অদু সিদার্থ জর্সি নম্বর ৯না ২৩, ৩৭, ৫৬, ৭০ অমদি ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। অদুগা আর কে চিরঞ্জন জর্সি নম্বর ১৭না ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখোয়না এ এফ সীবু ৬-০দা থোইখি।

মার্চ ১দা অহানবা মেচ ওইনা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোঙ অমসুং কে এলল এ এস এ কৈনৌগা থেংনরগনি অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দনা নিসা থাংমৈবন্দ অমসুং জি এস সী চুরাচান্দপুর লম্বা তৌনরগনি।

ওল ইন্দিয়া পুলিস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী বোদিবিল্ডর ৩না গোল্ড মেদল অমগা লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): হরিয়ানাদা থা অসিগী ২৪দগী হৌরগা ঙসি ফাওবা চথখিবা ওল ইন্দিয়া পুলিস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা মণিপুরগী পুলিস পার্সনল ৩না গোল্ড মেদল অমা য়াওনা ব্রোঞ্জ মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ান বোদিবিল্ডিসর্ ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া পুলিস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০ অদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী কিলোগ্রাম ৬০গী কাংলুপ্তা ৪শুবা ইন্দিয়া রিজাব বট্টালিয়নগী রাইফলমেন ওল ওকেন্দ্রোনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

কিলোগ্রাম ৬৫গী কাংলুপ্তা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী জুনিয়র কম্মিসন ওফিসর এন কিসননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। ইভেন্ট অদুদা অতোপ্পা মণিপুরগী পুলিস পার্সনল কে এস ঐচ অরুনজিৎনা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

মণিপুরগী টিমগী মায়কৈদগী ৩শুবা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা বোদিবিল্ডর অদু কিলোগ্রাম ৯০গী কাংলুপ্তা ৭শুবা আই আর বিগী জিমেদার এন জি সুরচন্দ্রনা লৌবা ঙমখি।

ওল ইন্দিয়া পুলিস বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০ অসিদা পঞ্জাব পুলিসনা পুন্না পোইন্ট ২১০ ফংলগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। রন্নর্সঅপ টিম অদুনা মহারাষ্ট্রনা পোইন্ট ১৬৫ ফংলগা লৌখি। লোয়ননা ফর্স্ত রন্নর্সঅপকী পোজিসিন অদুনা পোইন্ট ১৬০ ফংখিবা উট্টরখন্দগী টিমনা লৌখি।

কম্পিটিসন অদুদা ওভরওল চেম্পিয়নগী মনা অদু কিলোগ্রাম ১০০গী কেটগরিদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবা পঞ্জলব পুলিসকী হরদিপ সিংহনা ফংখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুগী খ্বাইদগী পোজ ফজবগী মনা অদুনা মহারাষ্ট্রগী বোদিবিল্ডর সুয়াস জাদিয়েনা লৌখি।

৬শুবা ধনবির ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# ধনবির এফ সী অমদি অমর এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): জেক এফ সী অংথানা শীন্দুনা এল ৱাই সী শান্নবুঙদা চথরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লীগ লেভেল ভিল্লেজ ওপন মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা ধনবির এফ সী অমদি অমর এফ সী মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ধনবির এফ সী অমসুং এ এফ সী কৈরাও লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা ধনবির এফ সীনা এটেক চথবা হেন্দুনা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী এল কিসন জর্সি নম্বর ৩১না পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাংজিল থাখি।

অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং শুপ্নগী মিনট ৩ কান্নরগা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এল সুরেসনা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা পাঞ্জল ২-০দা হেন্দুনা হায়না হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা এ এফ সী কৈরাওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অদুগা ধনবির এফ সীগী মায়কৈদগী হাফ অসিদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা মখোয়না এ এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অমর এফ সীনা অমর এফ সীবু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

# মঙাল এফ সী খাবম অমদি নোংগ্রেন এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): ও এফ এ পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মঙাল এফ সী খাবম অমদি নোংগ্রেন এফ সী মায় পাকখ্রে।

কপ অসিগী ১০শুবা মেচতা মঙাল এফ সী খাবমনা খোঙনাংমখোঙ এফ সী ৱাইতোনবু পাঞ্জল ৭-০দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মঙাল এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু ষ্টেলিন জর্সি নম্বর ১২, ইমারসন জর্সি নম্বর ১৯ অমদি জেনিস জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল ২/২ চনখি। অদুগা সিতলজিৎ জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

অনীশুবা মেচতা নোংগ্রেসন এফ সীন সেক্তা-এবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। নোংগ্রেন এফ সীগী স্কোরশিং অদু নাওচা জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা লালথোইবা জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমা চল্লগা মায় পাকখি।




HL-B/6019/4 feb-5march

WE'RE HIRING!

JCRE Skill Solutions empowering our youth

Application Forms Available Now !

Last Date: 29th Feb'20

| Sl. No. | Trainer/Job Role | Eligibility | Vacancy |
|---|---|---|---|
| 1 | Solanaceous Crop Cultivator | Diploma in Agriculture/ Horticulture/Animal Husbandry/ BVSc & AH | 2 |
| | Dairy Farmer / Entrepreneur | | 1 |
| 2 | Hand Embroiderer | Diploma/Graduate with 2 years of work experience | 5 |
| | Self Employed Tailor | ITI/Diploma/AMT from any polytechnic/institute in the core subject. | 1 |
| 3 | Assistant Beauty Therapist | (10 + 2) and 1 year Certificate/Diploma in Beauty culture/ Beauty & skin / Hair & skin/ Cosmetology/ from a State Govt./ Govt. of India Institution/ Pvt. Institution | 9 |
| | Beauty Therapist | | 1 |
| 4 | Home Health Aide | B.Sc. Nursing with 2 years of experience/ GNM with 3 years of experience | 9 |
| 5 | Domestic Data Entry Operator | BCA/BSc (Computer science)/BSc IT from recognized university. Preferably 1 year experience in the Industry | 52 |
| 6 | Store Operations Assistant | Diploma/PG diploma/MBA in retail management | 6 |
| 7 | Early Years Physical Activity Facilitator | Diploma/ graduate/post graduate in physical education/ 1+ years of experience as physical education teacher or coach. | 1 |
| 8 | Unarmed Security Guard | Diploma/1 year certificate course in security with one year experience as assistant Security Officer (ASO) conducted by Directed General Resettlement or "train the trainer course" conducted by Security Knowledge and skill Development council/Ex-servicemen who have rendered at least 10 years of service. | 12 |
| 9 | Optical Fiber Splicer | Diploma/BE in Telecommunication or Related field | 1 |
| 10 | Food and Beverage Service | Diploma/Graduate in Hospitality management with min 1 year experience | 5 |
| 11 | Roto Artist | Graduate/ ITI/Diploma/AMT, from any other polytechnic/recognized institute | 1 |

Forms are available at JCRE Skill Solutions, Thangmeiband Meisnam Leikai and JCRE Global College, Babupara. Please Contact: 6009248500 or 0385-2441193 during -10am to 4pm ( Monday to Saturday)

HL-B/5723/27,29



HL-B/6002/15/2-18/4

HOUSING LOAN AVAILABLE

(Upto Rs 50 LKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402 # 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd. Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West

HL-B/5934/27


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com